**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 28-03-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- ঙমখৈগী খুলশিং চাউখৎপা অমসুং মফমদুগী খুঞ্জাশিংগী হিংনবগী লন্বী ফগৎহনবা হায়বসিনা মনিপুরগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপদা মরুওইবা থৌদাং ওইগনি।

ইম্ফালগী হোতেল ইম্ফালদা ঙসি পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা রাজ্য থাক্কী ভাইব্রেন্ট ভিলেজেজ প্রোগ্রাম টু ৱার্কসোপতা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিগী ঙমখৈগী লমদমশিং চেকশিন্না ঙাক শেন্দুনা হেন্না চাওখৎপা লমদম অমা ওইননবা মীৎয়েং থমশি। মহাকা হায়- মীয়াম পুন্না অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নদুনা রাজ্য অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী লন্বীদা হেন্না মাংজিল থানবা মীপুম খুদিংনা হোৎনমিন্নশি। ঙমখৈগী মফমশিং ঙাক শেন্নবা অপুনবগী শক্তম শাগৎলশি।

ৱার্কশোপ অসি রাজ্যগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টনা ভারত সরকারগী ভাইব্রেন্ট ভিলেজ প্রোগ্রাম ফেজ টুগা মরী লৈননা পায়খৎপনি। হায়রিবা প্রোগ্রাম অসিনা মনিপুরগী ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গং ১৪৩ দা চাউখৎ থৌরাংগী থবক হেন্না খুমাং চাউশিন্নবা পায়খৎনবা পান্দম থল্লি। ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল, আই.জি.এ.আর (সাউথ) মেজর জেনরেল-গৌরব শর্ম্মা, সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসারশিং, ঙমখৈ জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিং অমদি অতোপ্পা কয়ানা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খোমচান্দগা উখ্রুলগী সি.এস.ওশিংগী মীহুৎ কাংবুগা ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা হৌজিক হৌজিক জিলা অসিদা ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমসুং পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিংগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-জিলা অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং নীংথিনা পায়খৎপা হায়বসি সরকার অসিগী পান দমনি। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা কল্লক য়েংথিনবগী ৱাখল্লোন থাদোক্তুনা পুন্না চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা থবকশিংদা মায় ওনশিল্লসি।

**এময়ু (এল)ঃ** ক্লাইমেট রিজিলেন্ট এক্বা কলচর টেকোলোজি হায়বা হীরমদা নুমিৎ নিনি চথ্যগদবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী কোর্ট হোলদা হৌখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী দাইরেক্তর-তৌরাংবম ব্রজাকুমার সিংহনা হায়-অইং আশাগী হোংলক্লিবা অসিগী য়েংলগা মতমগা চুন্নবা থৌওংশিং পায়খৎতুনা ঙামীশিংনা মশাগী শেন্থোক লন্বী লৈননবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়-অসিগুম্বা মখলগী অনৌ অনৌবা থৌওংশিং শিজিন্নবগী মতাংদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা ঙামীশিংনা শরুক য়াদুনা খঙহৌবগী খুদোংচাবা লৌহৌগদবনি।

থৌরম অদুদা, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্কুল লাইফ সাইন্সেসকী দিন-প্রোফেসার এন. মোহিলাল মীতৈ, আই.সি.এ.আর, সি.আই.এফ.ই. মুম্বাইগী প্রিন্সিপাল সাইন্টিস-ডা: এস. মুনিল কুমারনচিংবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জ্লোজি অমদি আই.সি.এ.আর. সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফিসরিজ এদুকেসন-মুম্বাইনা পুন্না শিনবনি।

**মাফম(এল)ঃ** মোরে হায়ৱে ৱেলফিয়ার কমিতি অমসুং ওল মনিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) গী লুচিংবশিংগা চান্দেল জিলাগী হৈঙাংপোকপীদা তরাউ ত্রাইবকী লুচিংবশিংগা পুন্না উন্নদুনা রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরক্তুনা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অমসুং লমদম অসিগী চাউখৎ

থৌরাংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা তরাউ ত্রাইব কম্মুনিতিশিংনা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা খুদোংচাদবা হীরমশিং মরুওইনা মহৈ মশিং তম্বা, শেল থুম অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা খন্নখি।

**কামজোং(এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ১০২ (এ) গী সংসকতগী তেংনৌপল ফাওবগী লম্বীগী নাক-য়েৎতা আইননা য়াদবা মওংদা শাজিল্লিবা য়ুম-কৈশিং অথুবা মতমদা লৌথোকবা কামজোং জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা হায়-আইননা য়াদবা মওংদা শাজিল্লিবা য়ুমশিং লৌথোকবা মমাংদা খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা লৌথোক্তনা লৈরিবা অসিনা হৌজিক হায়ৱে অসিগী লম্বী পাকথোকপগী থবক চথরিবা অসিদা চাউনা অয়েৎপা পীরে। মরম অসিনা শাজিল্লিবা য়ুমশিং মশা মশানা নুমিৎ তরানি ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্ত্রবদি নিয়মগী মতুং ইন্না ইভিক্সন চথগনি।

**এমশু(এল)ঃ** ওল মনিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমশু) না ৪৬ রকশুবা রিয়েলাইজেসন মন্থকা মরী লৈননা লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবা ঐখোয় মীকপ থোক্লসি হায়বা হীরমদা পাঙথোক্তুনা লাকপা থৌরমগী মনুং চন্না ঙসি নোংমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা জি.পি. ৱিমেন্স কলেজতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মীতোপশিংদা ভারতকী নাগরিক ওইবগী হকশিং, থবক তৌবগী খুদোংচাবা অমসুং ভোট থাদবা য়াহনবনচিংবা খুদোংচাবা খুদিংমক ককথৎপা, ১৯৮০ অমসুং ১৯৯৪ দা মীতোপশিং মীরমদা হলহনখিনবা য়ান্নখিবা য়ান্ন খুৎয়েক অদু চহি অসিগী এপ্রিল থা ফাওবগী মনুংদা লৈঙাকনা থবক্তা ওন্থোকবা তকশিনবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়াসু লৌখি।

থৌরম অদুদা এমশুগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বশিং-এল. দিলিপ, এন. মোহিলাল অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা ৱাই. প্রিয়োকুমারনা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাংখি।

**ট্রান্সপোর্ট (এল)ঃ** ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা হৌজিক হৌজিক শেমগৎলিবা নিউ ইন্তিগ্রেতেদ তরমিনেল বিল্ডিং (এন.আই.টি.বি) গী থবকশিং এদ্দিসনেল চীফ সেক্রেতরি (ট্রান্সপোর্ট অমসুং টি.সি.আইগী) অনুরাগ ভাজপায়না য়েংশিনখ্রে। হৌজিক মফম অদুদা পায়খৎলিবা অতোপ্পা প্রোজেক্টশিংসু শ্রী অনুরাগ ভাজপায়না য়েংশিনখি।

ট্রান্সপোর্ট দাইরেক্তর খুমন্থেম দাইনা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনার ময়াংলম্বম রাজকুমার, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস.পি, ইয়ারপোর্ট ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী দাইরেক্তর অমসুং পি.দব্লিউ.দি, এম.পি.দি.সি.এল, সি.আই.এস.এফ অমদি প্রোজেক্টশিং অসি পায়খৎপদা শরুক য়ারিবা মীওইশিং মীফম পাঙথোকখি।

হৌজিক শেমগৎ শাগৎলিবা অসি মমাং চহি ২০২৫ গী দিসেম্বরদগী খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। এন.আই.টি.বিগী প্রোজেক্ট চাদা ৫০ লোইরে। প্রোজেক্টশিং অসি চহি অসিগী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা লোইশিন্নবা হায়খ্রে। ইম্ফাল-সিলচর ফ্লাইটসু অথুবা মতমদা হৌনবা ৱাফমশিং খন্নখ্রে। ইম্ফাল-দিব্রুগর ফ্লাইটকী খুদোংচাবশিং লৈহন্নবসু মীফম অদুদা খন্নখি।

**ক্লাইমেট (এল)ঃ** দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা মেদিয়া ফেলোসিপ প্রোগ্রাম অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মনিপুরদা অখাক অরাও থোরকপা মতমদা খুদোংথিবদগী মতৌ করমা ঙাকথোক্কদগে অমসুং অখাক অরাওনা পীবা চৈথেং হায়বা হীরমদা

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ জিওগ্রাফিগী হেদ ডা: অবুজম মংলেম সিংহনা হায়-মালেমগী ওইনা অইং আশাগী খল কায়রকপনা মরম ওইরগা মনিপুরদা হৌখিবা চহি খরা অসিদা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লি।

থৌরমদুদা, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জকী দাইরেক্তর-তৌরাংবম ব্রজাকুমার, মেদিয়া রিছোর্স সেন্টরগী মীহুৎশিং অমদি পাউমীশিং শরুক য়াখি।

**রেম্প (এল)ঃ** রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগকী মখাদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা রেজিং এন্দ এসেলেরেটিং এম.এস.এম.ই. পার্ফোমেন্স (রেম্প) স্কিমগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলি।

মসিগী মনুং চন্না নুমিৎ হুমনি চুপা ইম্ফাল ইষ্টকী সিলৈপুং গার্দেনদা রেম্পকী মখাদা হোস্পিতালিতি, ৱাইল্ড লাইফ টুরিজম অমসুং নেচর কেম্প মেনেজমেন্ট হায়বা হীরমদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজন শিনদুনা চথরকপা কেপাসিতি বিল্ডিং ৱার্কশোপ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

ৱার্কশোপ অসি মীয়ামবু ইকো টুরিজম, হোস্পিতালিতি মেনেজমেন্ট অমসুং সসটেনেবল নেচর বেজ ইন্টরপ্রাইজেস হায়বসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খঙহন্নবা অমসুং হৈথোই শিংথোইবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা ইকো টুরিজম, ৱাইল্ড লাইফ টুরিজম, এদভেঞ্চর টুরিজম য়াওনা তোঙান তোঙানবা টুরিজমগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি।

অমরোমদা, রেম্প স্কিমগী মখাদা সেন্ত্রেল ফোরেষ্ট দিভিজননা শিন্দুনা ইকো টুরিজম এন্দ ইটস ইকোনোমিক লিঙ্কেস হায়বা হীরম অসিবু হেন্না নীংথিনা মীয়াম খঙমীন্নবা থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লমদেং ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা পুন্না মীওই ৬০ রোম শরুক য়াখি।

**একজিবিসন (এল)ঃ** অনফোলদিং হায়না মীংথোনবা নুমিৎ মঙানিগী ওহ্বা নুপী আর্টিষ্টশিংনা য়েকপা লাইশিং মীয়ামদা উৎপগী একজিবিসন অমা ঙসি ইম্ফাল আর্ট গেল্লেরি ক্বাকৈথেলদা হৌদোকখ্রে।

আর্ট ইগজিবিসন অসিদা পুন্না নুপী ১৮ না শরুক য়াদুনা অয়েকপা লাই ২৫ অমসুং স্কল্পচর মরি মীয়ামদা য়েংহনখি।

**সেমিনার (এল)ঃ** ফিজিকেল প্রিন্সিপালস ইন বাইওলোজিকেল এন্দ মেদিকেল সাইন্সেস-ফাউন্দেসন এন্দ ফ্রন্টিয়ার হায়বা হীরমসিদা নুমিৎ হুমনি চগ্খরকপা জাতি থাক্কী খন্ন-নৈনবগী মীফম ঙসি এস.কুলা ৱিমেন্স কলেজ-নম্বোলদা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অসি কলেজ অসিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্ট অমদি বাইও টেকে ালোজিগা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা স্কোলারশিংনা চে পাথোকখি।

**এআর (এল)ঃ** ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা ভারত লান্মীগী রেড সিল্ড দিভিজননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লাইখোং খুলদা সোল্লর ষ্ট্রিট লাইট প্রোজেক্ট হৌদোক্লদুনা খুল অসিগী অকোইবদা সোল্লর লাইটশিং থানখ্রে।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-খোঙথাং অসিনা মীচম মীয়াম অমসুং লান্মীশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহনবতা নত্তনা খুল অসি চাউখৎপদসু চাউনা মতেং ওইরগনি। চেরোল অদুনা হায়-লাইখোং খুলদা হান্না মৈ মপুং ফানা ফংদবদগী খুঞ্জাশিং নুমিদাংগী মতমদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অৱাবা কয়া মায়োকরিবা অদু হৌজিক থল্লিবা সোল্লর লাইটশিং অসিনা খরমখৈদি কোকহনবা ঙম্লগনি।

**ককচিং(এল)ঃ** মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মীৎয়েং মখাদা সঙ্গিত একাডমী ককচিংনা শিনদুনা নট সংস্কৃত্তন (পুং ঈশৈ) অমদি জগোইগী মতাংদা স্কুল কলচরেল এৱারনেস, লেকচর অমসুং দেমোন্সত্রেসন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ককচিং নিংথৌ লৈকাইদা লৈবা য়ুন্বীমচা হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা সঙ্গিত একাডমী ককচিংগী মীওইশিংনা স্কুল অসিগী মহৈরোইশিংদা নাৎকী ওইবা থৌরমশিংগী মতাংদা খঙহনবগা লোয়ননা ধুলোপ চোলোম উৎতুনা মহৈরোইশিংদা য়েংশিনখি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্স ঙসি তমেংলোং হেদক্বাটরসকী জেট.ই.এফ. হোলদা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: অংশিম দাংসাৱানা হায়-মীওইবগী হকশেল অমসুং পুন্সি কনবা, খুদোংথিবা মতমদা মতেং পাংবা, হকশেলগী অমসুং ঈগী দরকার লৈবশিং মপুং ফানা ফংহনবা হায়বসিগী পান্দমদা ব্রান্স অসি হাংদোকপনি।

**ম্যুজিক (এল)ঃ** রেন ফোরেষ্ট ক্লব-তমেংলোংনা শিনদুনা সোংস ওফ দা অহু (বরাক) রিভর হায়না মিংথোনবা ইন্টরজেনরেস্নেল ম্যুজিকেল একচেঞ্জকী থৌরম অমা তমেংলোং জিলাগী জেট.ই.এফ. হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা খুল অসিগী অহল অমসুং নহাশিংগী ওইবা ঈশৈ-নোংমাইগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**মৈ (এল)ঃ** য়ুরেম্বম সব-ষ্টেসন্না কোনবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৭ তগী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২ ফাওবা মৈ শেম্বনা মরম ওইরগা মৈ মুৎকনি। ১৩২ কে.ভি. য়ুরেম্বম গম্ফাজোল লাইন অসিদা মৈ লাইন তিংবা অমদি অমাং অতা থোকখিবশিং শেমজিনগদবা লৈবনা মীয়ামা মৈ ফংলোইহায়না

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, সব-ষ্টেসন অসিগী মেনেজরনা থোকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়- অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মৈ শেন্নবগী মতম অসিদা থার্তি থ্রি কে.ভি. সব-ষ্টেসন অসিগী এলেভেন কে.ভিনা মৈ পীরিবা মফমশিং হায়বদি- ১৩২ বাই থার্তি থ্রি কে.ভি. য়ুরেম্বম, ইরোইশেম্বা, লমফেল, কৈশামপাৎ, কোংবা, জেনিমস, খুমন লম্পাক, কংলা অমসুং শঙ্গাইপাৎ হায়রিবা মফমশিংদসু মৈ ফংলোই হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি উত্তর প্রদেসকী গৌতম বুধ নাগর জিলাগী জিৱারদা লৈবা নোইদা ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টকী অহানবা ফেজ শঙ্গাখ্রে। লম একর ৪০ দা শাগদবা মেন্টিনেন্স, রিপিয়ার অমসুং ওভরহোল (এম.আর.ও) ফেসিলিতি শন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা উরেপ উয়ুং তমখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিনা ভিক্সিত য়ু.পি, ভিক্সিত ভারত কেম্পেইনগী অনৌবা লামাই অমনি। শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট খ্বাইদগী য়ামা লৈবা রাজ্যশিংগী মনুংদা উত্তর প্রদেসনা মাংজিল থারি।

ঙসি শঙ্গারিবা ইয়ারপোর্ট অসিনা রাজ্য অসিগী নোংচুপ থংবা শরুকশিং মরুওইনা আগ্রা, মথুরা, আলিগর, গাজিয়াবাদ, ইতাৱা অমসুং ফরিদবাদ জিলাশিংদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ইয়ারপোর্টনা রাজ্য অমবু চাউখৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। রাজ্য অসিদা ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট মশিং য়ামা লৈবনা রাজ্য অসিগী লৌউ শিংউগী পোৎথোকশিং মপান লমদা য়ৌহনবদসু হেন্না লায়থোকহল্লগনি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩২ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা

শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**থাং-তা (এল)ঃ** নুমিৎ নিনিগী ওইবা নুপী অমসুং নুপাগী ওপন রিএল ত্রেদিসনেল ৱারিয়র ষ্টাইল থাং-তা চাংদমবা ঙসিদগী ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইদা হৌখ্রে।

চাংদমবা অসিদা পুন্না শান্নরোই ৫২ শরুক য়ারি। মসিগী মনুংদা নুপী শান্নরোই ১৭ না তোঙান তোঙানবা ষ্টাইল মঙাদা মশান্নশিং উৎলি।

**কাং ঃ** মনিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনবা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- থাংমৈবন্দ কাংখুৎনা লমশাং কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৬-৮ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ২৪ শুবা চেল্লেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা-এম.এল.ভি.এফ.এ-ময়াই লম্বীনা য়ু.কে.এফ.সি. উরিপোকপু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অনিশুবা মেটচতা-ভি.এফ.সি.ককৱানা ফ্লাম য়াইস্কুলবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** সোসিএল ৱাকরস কংগ্রেস-খোঙমননা শিনদুনা ৮ শুবা টি.ঐচ. ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-এম.আর.ও-কিয়ামগৈনা এন.ৱাই.টি.ঐচ.সি-ওক্রম চুথেকপু পাঞ্জল ২-১, বি.এস.য়ুনা কে.এস.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা, এ.বি.এ. ক্ষেত্রিগাউনা এস.দি.এ-কিয়ামগৈবু পাঞ্জল ৩-০ দা, অমসুং এস.ডব্লিয়ু.সি-(বি) খোঙমননা ৱাই.বি.সি. লংদুমবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** মনিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিন্দুনা অহুমলক শুবা এম.এন.সি.এ অন্দর ফিফতিন গার্লস ৱান ডে ট্রোফিগী ঙসি থাউ গ্রাউন্দ থাংমৈবন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- অক্সদো খাঙবোকনা পি.সি.সি ময়াইকোইবীবু ৱিকেট ৯ দা থোইখ্রে।